হেন্দ সেনিটাইজর খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি (নোর্থইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি), লম্ফেলপাৎনা পুথোকপা অলকোহোল বেজ হার্বেল হেন্দ সেনিটাইজর ব্রাঞ্চ লেব অসিগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা ইনিদয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাইদা খুৎশিন্নখ্রে। সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি, লম্ফেলপাৎনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ ৱারিয়র ওইনা থবক তৌরিবশিংদা তেংবাংবা ওইনা লেম্না হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েম্থোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চতা হেন্দ সেনিটাইজরশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.682628
US Dollar	74.252633
British Pound	97.666089
Australian Dollar	53.498927
Chinese Yuan Renminbi	10.775514
Japanese Yen	0.698544
Malaysian Ringgit	17.804204
Singapore Dollar	54.304300
South Korean Won	0.062591
Saudi Arabian Riyal	19.800702
Thai Baht	2.370021
Myanmar Kyat	0.05492
Bangladesh Taka	0.87569

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50684.00
Mumbai	–	Rs	50900.00
Delhi	–	Rs	50722.00
Kolkata	–	Rs	51070.00

GAS NEWS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE : 08/05/2020
TIME: 11.00AM TO 2.00PM
ANY ENQUIRY
CONTACT NO. 7629045883

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-01/08/2020
Valid from-23/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 16/07/2020
BOOKING UPTO : 17/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
Booking upto : 22/06/2020
Valid from : 17/06/2020
PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP
FOR THANGMEIBAND / LAMPHEL / LANGOL AREA
8131852580 / 9774722106 / 7628094160
FOR URIPOK / SAGOLBAND KEISHAMPAT / KEISHAMTHONG
KWAKEITHEL / PISHUM / SINGJAMEI
KHAGEMPALLI / YAISKUL, AREA
7085198900 / 6009885600 / 7005281388
FOR OTHERS AREA
9612009063 / 9862792731
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
TIMING: 7:00 AM TO 12:00 NOON

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 05/07/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto : 26/06/2020
Valid from : 25/06/2020
Stk. : 306
Timing-6.00am to 9.00am
Home Delivery (Contact No. 6909963855/8119073029)

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 24/06/2020
Sl. No. upto - 70
Valid from : 22/06/2020
Sl. No. - 271
Timing : 7.00am to 10.00am
Only home del. Cont. No. : 7085557686, 9366502930

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 04/07/2020
VALID FROM: 03/07/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING vv CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

ময়েক শেংদবা মোদিফাইদ এস ও পি অসি অমুক হন্না শেমদোকপা মথৌ তাই : পি টি এফ সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিংগী ওইনা ক্বারন্টিন তৌহনবগী মতাংদা লাউথোকখিবা ময়েক শেংদবা মোদিফাইদ এস ও পি অসি অমুক হন্না শেমদোকপা মথৌ তাই। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী ওর্দর অসি অমুক্কা হন্না খন্নবীনবা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯)গী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম থম্লক্নি।

পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ এম অঙম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু ফহনবা ঙম্বা হিদাক পুথোক্ত্রি। মরম অসিনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক কাঙলোন চুম্না খুৎ-শা হান্বা, মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং নীংথিনা ঙাকপা মথৌ তাই। লৈকায় লৈকায়দা লম্বী থিংবা, শম্বল খাবনা কোভিদ-১৯ থিংবা ঙম্লোই। লায়না-লাইচৎ অসিবু লান্থেংনবদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা ডোক্তর, নর্স, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংবু খুন, লৈকায়দা চঙহন্দবগী ৱাথোক কয়া লৈরি। মসি তৌফম থোকই। পিপলস টাস্ক ফোর্সকী মায়কৈদগী খুন অমদি লৈকায়শিংগী ওইবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স শেন্বীয়ু। টাস্ক ফোর্স অদুনা লৈকায় মীয়ামদা কোভিদ-১৯গগী লাইচৎ মরকসিদা পুন্না হিংমিন্নবা খুন্নাই অমগী মথৌ তাবা এৱ্যের্নেস পীবীয়ু। লৈকায়, খুনদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অনাবা কয়াম লৈ হায়বা খঙদোকপীয়ু। মীরোনবী কয়াম লৈ অমদি অঙাং উনগদবা কুইদ্রবশিংগী করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসি শেম-শাবীয়ু।

চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা মপান্দগী হল্লকপশিংগী মোদিফাইদ এস ও পি অমা থোক্লকপসি পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯না অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মরমদি মপান্দগী চঙলকপা মীওইশিং টেষ্ট তৌরবা মতুংদা নেগেটিভ লাক্লবদি ময়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌগনি হায়রিবা ৱাফম অসি চেকশিনহৌদ্রবদি লায়না-লাইচৎ অসি হেন্না শাথিবা মওংদা শন্দোকহল্লকপগী মচাক অমা ওইগনি। মপান্দগী হেক চঙলকপগা টেষ্ট তৌগদৌরিবসি করম্বা মখলগী টেষ্টিং প্রোসিজর চৎথগদৌরিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা পন্দে। রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট (আর এ টি) খক্তং তৌরগা য়ুমদা ক্বারন্টিন তৌহনবদি লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোকহল্লকপগী মচাক ওইবা য়াই। রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবশিংদি ফরে। নেগেটিভ ওইখিবশিংদি কনফার্মেটরি টেষ্ট ওইনা আর টি পি সী আর টেষ্টিং প্রোসিজর শোয়দনা তৌগদবনি হায়বা লৈরিবনি। করম্বা মখলগী টেষ্ট তৌগদৌরিবনো হায়বসি হান্না ময়েক শেংবা চঙই। অনীশুবদা মপান্দগী হৌজিক চঙলকপা মীওইশিং ক্বারন্টিন তৌবা হায়বসি শোয়দনা তৌফম থোকই। মরুওইনা নুমীৎ ১৪ ক্বারন্টিন তৌবা হায়বসি ক্বারন্টিনদা লৈরিবা মীওই অদু কোভিদ-১৯গী মহিক য়াওরম্বা য়াবগী টেষ্ট রিজল্ট অশেংবা খঙননবগীদমক ইনক্যুবেসন পেরেদ নুমীৎ ১৪ নি ওইরিবনি। ইনক্যুবেসন পেরেদকী মনুংদা তঙাইফদনা আর টি পি সী আর টেষ্ট অসি তৌগদবনি। মরম অদুনা ময়েক শেংদবা মোদিফাইদ এস ও পি অসি অমুক হন্না মোদিফাইদ তৌবা চঙই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে।

ইরৈমা কম্যুনিটি হোলদা সেক্তা অপূনবা ময়াই লোয়শঙ ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, সোসল স্পোর্টিং ক্লব, মৈরা পায়বী, মংশুবা পানাগা খুৎশম্নরগা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

নম্বোল খাথোং কম্যুনিটি হোলদসু কোভিদ-১৯ ক্যের কম্মিটি, নম্বোল খাথোংগা খুৎশম্নদুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। এলাংখাংপোকপী ময়াই লৈকায় মান্দপতসু দি ৱাই এ, ঈ পি ৱাই সী অমদি এ ঐচ পি আইগী ডোক্তরশিং শরুক য়াদুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। থোংজাও কম্যুনিটি হোলদসু সোসল ৱেলফ্যের ক্লব থোংজাওগা পুন্না পাঙথোকখি। সঞ্জেনবম কম্যুনিটি হোলদসু এস কে দি সী, এস এ দি এ অমদি মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না শেম্বা টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯ নোংপোক সঞ্জেনবমগা পুন্না খুৎশম্নরগা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি।

লাংমৈদোং মনিং মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদসু য়ুথ গাইদ ক্লব লাংমৈদোং অমদি মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং অসিদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা অখঙ-অহৈশিংনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়বা ৱাফম থমখি।

মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইহন্নবা দিমান্দ শৌগৎলি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্ননবা অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মায়কৈ কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা শৌগৎনরক্লি। উরিপোক নাওরেমথোংদা লৈবা ইপাথৌকোক্লসু মণিপুরী লোলবু অসামগী ওফিসল লেংগ্বেজ ওইনা অসাম লৈঙাক্না শকখঙবীননবা অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংদা শৌগৎলি হায়না লাউথোরক্লি।

ইপাথৌকোক্কী শঙলেন্দা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অসামদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা ইমালোল কন্নবগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ইমালোলগীদমক অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্ননবা হোৎনখিবা ঈহৌশিংদসু ইপাথৌকোক্লা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। মসিদসু নত্তনা নাৎ অমদি লোলগী মতাংদা চঙশিল্লকপা ঈহৌ খুদিংমক্তসু ইপাথৌকোক্লা মতম পুম্বগী ওইনা লেপকনি হায়রি।

মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহল্লু অমদি অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন্না লৌবা এগজামদা মণিপুরী লোলদা এগজাম মায়োক্নবা য়াহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি নোংম-নোংমগী কনশিল্লকপগা লোয়ননা লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি।

এম ৱাই এফ এনা মণিপুরী লোলগী মতাংদা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন চৎখ্রে

Manipuri Youths' Front Assam
Lakhipur Sub. Division Branch.
Lakhipur, Cachar, Assam.

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুথ ফ্রন্ট অসাম (এম ৱাই এফ এ) লখিপুর ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা লখিপুর কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংচন্না লৈবা অশারা লৌবুক খুনদা মণিপুরী লোলগী মতাংদা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন চৎখ্রে।

থৌরম অদুদা নিঙোম্বম রাজ কুমার, লাইশ্রম নিলামনি, ঙাথেম কুঞ্জবতি, সনাথোই অমদি এম ৱাই এফ এগী সেরাম হেরাজিৎনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কোন্থৌজম বিজয়না ৱাহৌদোক পীরদুনা এম ৱাই এফ এনা চঙশিল্লিবা মণিপুরী ইমা লোলগী খোঙজং অসি ঐখোয় পুন্নমক্না মপুং ফানা শৌগৎমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এম ৱাই এফ এনা শীন্দুনা লোলগী ওইবা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অমসু পুথিখল খুনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হোদাম বিজয়না থৌরম মপু, ইমা সনাথোই অমদি এম ৱাই এফ এগী সেরাম হেরাজিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। এম ৱাই এফ এ লখিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট পাওনম গীতচন্দ্রনা ৱাহৌদোক পীরদুনা মণিপুরী ইমালোল তম্বীরিবা স্কুলশিংদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না তমহন্ননবা হোৎনমিন্নসি, ইমালোল কন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংখি।

এম ৱাই এফ এনা ঙসি চৎখিবা মণিপুরী লোলগী এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অসি ৬৪শুবা অমসুং ৬৫ শুবনি।

মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইনা শকখঙবীনবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংদসু লূপ কয়ানা লেপ্পা লৈতনা শৌগৎনরক্লিবনি।

২১শুবা হেন্দলুম দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) : ওগষ্ট ১দা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট হেন্দলুম দেগী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লৈবা ক্রাফস কমপ্লেক্স পাৎশোই পার্ট-১দা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না হেন্দলুম প্রমোসন কাউন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা থাদোকরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি লোকদাউন্না মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবদগী ওগষ্ট ১গী থৌরম অসি য়েথোকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱীভর্স সার্ভিস সেন্টর ইম্ফালগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর মোইরাংথেম ইবোহল, এম টেম্ব্রেতাইহলনা চীফ গেষ্ট, ডা. কে সোবিতা থবক্তগী পোৎথারবা আর্ট এন্দ কলচরনা প্রসিদেন্ট অমসুং এন নরেন্দ্র থবক্তগী পোৎথারবা কমিস্নর দিফেন্স ৱিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুগী কী নোৎ এদ্রেসনা চীফ ফঙ্কসনরি চিংতম লুৱাং হেন্দলুম প্রমোসন কাউন্সিল মনিপুরনা পীখি হায়রি। থৌরম অদুদা খনগৎলবা দিষ্ট্রিক্ট মরীদগী ফীশারোই ৬তা শেলগী মনা, মেমেন্টো অমদি সর্টিফিকেট পীদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। থৌরমগী লোইশিল্লকপদা দল্লিয়ু এস সীগী ওফিসিয়লশিংনা তিল্লিবা ফীশারোইশিংগা লোয়ননা চৌপাল অমসুং পাঙথোকখি। লোয়ননা ফীশারোইশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইয়োংগী অনৌবা স্কীমগী মতাংদসু খঙহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া লৌনবা ওফিসিয়লশিংনা ফোঙদোকখি হায়রি।

লিগেল নোটিশ থাখ্রে...

লামায় ১গী মখা... লাকহনবগীনি হায়রি। লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না থারকপা চেরোল (নম্বর ৫৬/০৬/২০২০/পি পি এস থ্রী/৭৪১, তাং ৬/৭/২০২০) দা হৌজিক পার্টি অসিগী রিকগনাইজ তৌবা ওফিস বিয়ররশিং অমত্তা লৈত্রে হায়রকখিবা লৈরিবনি হায়রি।

লোয়ননা এম পি পি অসি ঐখোয়গী ইরমদমগী অমত্তা ঙাইরবা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা শেমগৎপীরম্বা মণিপুর মীয়ামগী পার্টিনি হায়রি। অদুবু হৌজিক্তি পার্টি অসি অমোৎ অকায় কয়ানা থল্লবা লৈখা তারবা মপি-মপা লৈত্রবা পার্টি অমগুম লৈরে হায়রি। পার্টিমনুংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অসি পার্টিগী ফন্দ শায়েন ঙায়েন্নদুনা লৈবা অমদি অরানবা মওংদা শীজিন্নবগা লোয়ননা লৈখা তানা মাঙহন্নবা হোৎনবা মশাগী ওইজবা থিবা খরগী থৌইনশিন্দগীনি হায়রি। অমরোমদা পার্টিবু মাঙহন্নবা শিনবদা মপানগী খূৎ য়াওরব্রা হায়বগী চিংনবসু পোক্লে হায়রি। মরম অদুনা হৌজিক্কী লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী অরুবা তানফমসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু মুন্না ৱাখল তৌবীদুনা অচুম অরান য়েংবীদুনা পার্টিসিবু মাঙহন তাকহন্নবা তৌরিবা মীওইশিংবু খন্দোকপীদুনা মখোয়দা মীৎয়েং চঙবীবা মতম য়ৌরে হায়রি।

অচুম্বা মওংদা এম সী এস সী সী (ম্যেন)...

লামায় ১গী মখা... (এন ঈ ঈ টি) অমসুং জোইন্ট এন্ত্রান্স এগজামিনেসন (জে ঈ ঈ) পাঙথোক্লবা য়াথং পীখি। য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন অমদি ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন্নসু মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা এগজাম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। নেসনল দিফেন্স একাদেমি অমদি নেভেল একাদেমিগী এন্ত্রান্স এগজামসু সেপ্টেম্বর ৬তা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লে হায়রি।

অতৈ অতোপ্পা পব্লিক বোদিশিংনা করম্বা মওংদা এগজাম পাঙথোক্কদগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কনাগুম্বা খরনা এম পি এস সীগী এগজামিনেসন অসি অচুম্বা মওংদা পাঙথোকপা ঙমলোইদ্রা হায়না চিংনবা পোক্লি। অদুবু কম্মিসন অসিনা কুমজা ২০১৬তগী হৌনা মেদিকেল ওফিসর, দেন্টেল সর্জন অমদি এঞ্জিনিয়রনচিংবা লৌনবগী এগজামিনেসন মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সিভিল সর্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন ২০১৬ অসিসু অচুম্বা মওংদা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। মতিক চাবা কেন্দিদেট খন্নবগী পান্দমদা কাঙলোন চুম্না এগজাম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়না কম্মিসনগী চেরোল অসিনা অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

ডোক্টর ২৭৩ শিখ্রবসু লাখ ৫০গী...

লামায় ১গী মখা... পীরগা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি লায়েংশঙ খুদিংমক্তা মথৌ তৌরিবা ডোক্টরশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপীবগা লোয়ননা ডোক্টরগী ইমুং-মনুংসু য়েংশিনবীবা তঙাইফদে।

আই এম এনা তোঙান-তোঙানবা নেটৱর্কশিংগী খূথাংদা খোমজিনবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ডোক্টর ১,০৯৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

হায়রিবা ডোক্টরশিং অসিগী মনুংদা পূন্না ডোক্টর ২৭৩ মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা ডোক্টর অয়াম্বা জেনরেল প্রেক্টিস্নর ঙাক্তনি। মতিক চাবা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) য়াওদনা মথৌ পাঙথোক্লুবদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা ডোক্টরশিং অদু লৈখিদবনি হায়না আই এম এগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা হোস্পিটালশিংদা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট পীবা তারবসু হোস্পিটাল য়ৌরক্তিঙৈদা অনাবা লায়েংলিবা ডোক্টরশিংদা পি পি ঈ পীনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী গাইদলাইন মতুংইন্না আউট পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট (ও পি দি) দা মথৌ তৌরিবা ডোক্টরশিংদা এন-৯৫ মাস্ক অমসুং হেন্দ গ্লোবখক্তমক পীরি।

লন্নাই ক্লিনিক্তা লায়েংলিবা ডোক্টরশিংদি মশা ঙাকথোকচনবগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈতে। হৌজিক ফাওবদা লৈখিদ্রবা ডোক্টর অয়াম্বা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা মীওই ঙাক্তনি। ডোক্টরশিং মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদবগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মীৎয়েং চিংশিনবা তারবসু হৌজিক ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি হায়না আই এম এগী জেনরেল সেক্রেটরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জেনিমসতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ...

লামায় ১গী মখা... ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুগী মনুংদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী ৮, রিমসতগী ৮ অমসুং আর দি ৱিংদগী ১ য়াওরি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৫৫৮৫ য়ৌরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৪১২৯ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৪৫৬ য়াওরি। ফগৎলকপা মীশিং ৩৮২৯ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩১৬৩ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬৬৬নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯৪২ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৭৮৯ য়াওনা এক্টিভ কেস ১৭৩১ লৈরি। লায়না অসিনা নাবদগী ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৬৮.৫৫নি।

সেন্টর ১১দা থবক হৌরগনি, হেল্থ...

লামায় ১গী মখা... ষ্টেটটসিদা লৈরিবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর ২২০ লোমদসু টেলিমেদিসিন এন্দ টেলিকন্সলটেসন, ঈসঞ্জীবানিওপিদিগী খুদোংচাবা অসি লৈহন্নবা হোৎনগনি। খুদোংচাবা অসি লৈরবদি ষ্টেটসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা টেলিমেদিসিনগী খুদোংচাবা ফংগনি। মসিনা অনা লায়েংগী তোঙান তোঙানবা ডোক্টরশিংদগী ও পি দিগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হোস্পিটালদা চঙবদা অকিবা ফাওরম্বা অদু টেলি মেদিসিনগী খুদোংচাবা ফংলবদি অৱাবা খরমখৈদি হন্থরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা হায়খি মদুদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্নবা ষ্টেট অসিদা ম্যেন পৱার, প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্ট অমদি অতৈ হকশেলগী ওইবা মচাক-মথুম মরাং কায়না লৈ। তানফম অসিদা টেলিকন্সলটেসনওপিদিগী খুদোংচাবা লৈরকপনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

হেল্থ সর্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. কে ঐচ সশীকুমার মঙাং অমদি দেপ্যুটি দিরেক্টর ডো. তোমচানা থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টেট হেল্থ সর্ভিসেস অমদি নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ওফিসল কয়াসু টেলিকন্সলটেসন ও পি দি হাংদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

য়ুনাক্লোগী নিঙোম্বম ইরাবন্ত য়াওনা পিটিস্নর মঙাদা কোর্টনা...

লামায় ১গী মখা... বেল ওবজেক্সন/কেস ষ্টেটস রিপোর্টকা লোয়ননা কেস রেকোর্দশিং থাগৎল-ক্লবা খঙহনখিবনি। কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না পুলিসকী মায়কৈদগী রিপোর্টশিং অসিগা কেস রেকোর্দকা সবমিট তৌরকখিবনি। অদুগা থাসিগী ২১ অমসুং ঙরাং মসিগী হিয়ারিং অনীরক থোক্লা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। কোর্টকী ওর্দরশিংগী মতুংইন্না পুলিসনা করিগুম্বা এন ইরাবন্তবু কেসসিগা মরী লৈননা ফাবা তারবদি লুপা লাখ ১গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিউরিটি অনীগী বোন্দদা বেলদা থাদোক্কদবনি হায়খি। অদুগা এন কুবের, এস বোয়, কে ননাও অমসুং কে ঐচ প্রেমজিৎকীনা লুপা লিশীং ৫০/৫০গী পি আর বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিউরিটি অমমমগী বোন্দদা বেল পীগদবনি হায়না খঙহনখি।

অদুম ওইনমক মীওই মঙামক কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা চৎপা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী পাসপোর্টশিং কোর্ট অসিদা থাসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা দিপোজিৎ তৌননবা খঙহনখি। করিগুম্বা পাসপোর্টশিং লৈরমদ্রগনা মসিগী মতাংদা হায়রিবা নুমিৎসিগী মনুংদা কোর্টতা এফিদেবিট অমমম ফাইল তৌরক্কদবনি হায়বা দিরেক্সনশিংসু পীখি।

ফন্দ থাদরক্ত্রবা এম য়ুগী সেন্টর ফোর...

লামায় ১গী মখা... হায়রিবা প্রোফেসর অনীসিবু মহৈকোলসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিদা এবজোর্প তৌবদা অয়াবা পীবিনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু য়ু জি সিনা চৎলিবা কুমজা ২০২০ অসিগী মে থাদা পীরকখিবা ওফিসল লেট্টর নম্বর ৩৮-৯/২০১৯ (সী য়ু) গী মতুংইন্না এম য়ুনা এবজোর্পসনগীদমক হায়জরকখিবা ৱাফম অদুদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকখি হায়রি। য়ু জি সীগী চেরোল অদুদা এম য়ুগী প্রপোজেল অদু 'এরিয়া ষ্টিদি প্রোগ্রাম' (এ এস পি) গী গাইদলাইন মতুংইন্না এসোসিএট প্রোফেসর অমসুং এসিস্টেন্ট প্রোফেসরশিংবু রেগ্যুলর মোদতা এপোইন্টমেন্ট পীবগী প্রোভিজন লৈতবনা প্রপোজেল অদুগী মতাংদা খন্নবা ঙমদে হায়দুনা ফোঙদোরকখ্রবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাহংশিং অসিনা প্রোজেক্ট মোদকী মখাদা হাংলিবা সেন্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টিদিজ অসিগী পীরক্লম্বা য়ু জি সীগী ফন্দিংসু লেপখ্রবা অদুগা সেন্টরসিগী প্রোফেসর অনীবু মহৈকোলসিগী দিপার্টমেন্ট অমদা এবজোর্প তৌশিনবদা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকবদসু য়ু জি সীনা য়ারক্তুবা ফাওবদা হয়েংগী এগজিকুটিভ কাউন্সিল মীটিংগী এজেন্দা আইটেমদা হাপ্পুনা অমুক খন্নগদৌরিবসি করি-করম্বা মখা তাবা প্রোসেসকীনো হায়বসিনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা য়ু জি সীনা ফন্দিং পীরক্তবা সেন্টর অসিগীদমক হৌজিক প্রোফেসর ওইরিবশিং অসিবু খনখিবগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিংদা 'কো-টর্মিনস এপোইন্টমেন্ট ৱিথ দ মেটর ওফ মণিপুর ষ্টিদিজ ইজ মিশিং' হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা হৌজিক্লা এসোসিএট প্রোফেসরনি হায়দুনা দিজিগনেট তৌরবা সেন্টর অসিগী ডা. বিজয়ালক্ষ্মি ব্রৱাবু 'রিদর' ওইনা খনখিবা মতমদা পোষ্ট অসিগী আর-আরদা য়ামদ্রবদা মার্ক চাদা ৫৫ ফংবা নৎত্রগা ৭৬ পোইন্ট স্কেলগী গ্রেদ-বিগা লোয়ননা মাষ্টরস দিগ্রী লেবেলদা লেট্টর গ্রেদ ০, এ, বি, সি, দি অমসুং ঈ অমদি এফকা মান্নগদবনি হায়বসু লৈ। অদুবু মহাক্তি শুপ্পতগী মার্ক চাদা ৫৩.২ খক্তমক ফংবা কেন্দিদেট ওইখিবনি হায়রি।

ৱাহিকনা লান্দারকপদগী লৌ পরি ১০০০ রোম শিরগদ্রা...

লামায় ১গী মখা... কাপথোকপীনবা শীনবিয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা লম্লাই এ সীগী নোংঙাদা, লম্লাই, শৈজাং, লৈমখোংমপাল, শম্বুংখোক, য়াইঙংপোকপী, তেল্লৌ, চানা, চিংনুংকোক, নাপেৎ, নোঙ্গ্রেন, নোংদম, ককচিং, ওকশু অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী কৈবি, ৱাইতোন, চিংঙারেল অমদি খুরাই এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফম অয়াম্বা লৌফমশিংদা হায়রিবা মশক খঙদবা ৱাহিক মখল অসিনা পাকশন্না লান্দারকপা হায়বদু ওইরে। হৌজিক লৌফমশিংদা ফৌ পান্থী শীজিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীওই খরনসু ৱাহিক মখল অসি শীনবনি হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী হু চেল্লবা হীদাকশিং লৌমিশিংদা য়োনশিনবগী থৌওং চৎথরে। লোয়ননা মমাং চহীদসু ফৌ মপুং ফানা লোকখিদবনা হন্দক চহীসু অমুক ফৌ লোক্লরোইদ্রা পাখৎলবা লৌমিশিংনসু ফৌ পান্থীতবু হীংহৌরবদি হায়বগী ৱাখল্লোলদা ওথোরাইজ ওইব-ওইদবা খঙদবা লোকেল তীলহাৎ হীদাক য়োনবা দুকানশিংদগী অঙকপা ফংনা তীলহাৎ হীদাকশিং লৈনদুনা মশা-মশাগী লৌফমশিংদা হীদাকশিং লেপ্পা লৈতনা কাপ্পরে। মদুনা মশক খঙদবা ৱাহিক মখল অসি শিদুনা থোইনা কান্নবা ওইদবগী মথক্তা হু চেল্লবা তীলহাৎ হীদাকশিং অদুনা অকোয়বগী ফীভমদা চাওনা শোক্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু লৈরে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা ফৌ পান্থী কনবা য়াবগী মতম হেন্দ্রিঙৈ মনুংদা ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এক্সপার্টশিং লাকপীদুনা য়েংশিনবিহৌদ্রবদি হন্দক চহীসু মায়কৈ অসিগী লৌ পরি ১০০০ রোমদদি ফৌ মপুং ফানা লোক্লরোইদ্রা হায়বগী চাওনা মীপাইনরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

লৈমখোংমপালগী লৌমি অমনা ফোঙদোরকখিবদ ৱাহিক হায়নসু হায়নবা মশক খঙদবা তিল মখল অসিনা পাকশন্না লান্দারকপদগী ফৌ পান্থীশিং ঙাংশিল্লকপগা লোয়ননা কংশিল্লক্তুনা শিরে। লৌমীশিংনসু ফৌ পান্থী শিদনবা হায়দুনা হু চেল্লবা তীলহাৎ হীদাক মখল ৪/৫ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক্লুরে। অদুবু নোংম-নীনিগী মনুংদা কদাইদগী-কদোমদগী লাকপনো খঙদনা অমুক হন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা লৌফমশিং অদুদা হায়রিবা ৱাহিক মখল অদুমক হীংদুনা লৈবা থেংনরি। লোকদাউননা মরম ওইদুনা শেল থোক্লদ্রবা মতম অসিদা লায়রবা লৌমিশিংনা তীলহাৎ হীদাক অমুক কাপথোক্লবা হোৎনবদা য়ামদ্রবদা লুপা ৬০০তগীনা ৮০০ ফাওবগী চাংদা চঙবা মরমনা অচৌবা পোৎলুম অমসু ওইদবা নত্তে। লোয়ননা মায়কৈ অসোমগী লৌমিশিংনা হৌথিবা চহী ৪/৫গী মমাংদগীসু ইকং থোকখিবনা ফৌ মপুং ফানা লোক্তনা লাকখিবনি। মরম অদুনা লৌমিশিংনা থেনরিবা অৱাবশিং অসিদগী কোক্লবা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা অমুক্তং মায়কৈ অসোমগী লৌফমশিংদা লাকপিদুনা য়েংশিনবিরগা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু। হৌখিবা চহীশিংদসু মায়কৈ অসোমদা থংন-থংননা ইকং থোকখিবা মরমনা ফৌ লোকখিদবনা হন্দক চহী লমদম অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা চেঙ কিলো অমদা লুপা ৬০ ফাওবা য়োল্লি। করিগুম্বা হন্দক চহীসু ফৌ মপুং ফানা লোকপা ঙমদ্রগদি মায়কৈ অসোমদা চেং তাংবগী অচৌবা থৌদোকশিং থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ꯄꯤ [illegible] / Ph.D. Degree Awarded

Yengkhom Ibomcha Singh, S/o (L) Y. Munal Singh and Y (O) Tamphamani Devi, a resident of Kakching Chumnang Leikai, Kakching District, Manipur has been awarded the Degree of Doctor of Philosophy (Ph.D) in Manipuri Dept. Manipur University Canchipur, Imphal vide Ref. No. MU/9-44/19/1509 dated 26 August 2020 for his thesis **"Kakchinggi Customary Folklore Neinaba"** under the supervision of Dr. R.K. Musuksana, Associate Professor & Head of Manipuri Dept. Dhanamanjuri University, DM College of Arts, Imphal.

He qualified UGC NET/JRF on June 2012 and Published (2) research papers in reputed International and National journals during his research period.

HL-B/6334/27

Family, Friends & Relatives.